# নোংমৈ বোম নাচুংদনা য়ু এননা তেংবাংগী থবক মখা চখ্খ্রে



*হোমস, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* সিরিয়াগী হোমস সিটিদা লাঙ্গৌই চল্লিবা রিবেলশিংনা মোর্টার অমদি নোংমৈনা এটেক চখ্খরকখ্রবা তুংদা য়ু এন অমদি রেইদ ক্রিসেন্টকী তেংবাং থৌমীশিংনা নাচুংবা লৈতনা মীচম মীয়াম হোন্দোকপা অমদি লাঙ্গৌই চন্দুনা লৈরবা মীকোক ২৫০০ রোমদা চিঞ্জাক পোৎলম থাজিনবগী থবক হনবা লৈতনা চখ্খরি।

হোমর্সকী গভর্নর টলাল অল বরাজিনা হায়বদা, নুপী, অঙাং অমদি অহল ওইরবা মীওই ৬৫ রোম খুন্তাক লানশিরবা সেন্ত্রেল হোমসতগী শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

সিরিয়ান ষ্টেট টেলিভিজননা হায়বগী মতুংইন্না, চহি অমগমখাইরোম লাঙ্গৌই চন্দুনা লৈখ্রবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ান সপ্লাইশিং ফংহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লিখুন অমনা হায়বগী মতুংইন্না নুমিৎ হুমিগী ওইবা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবগী য়ান পথাপ অদু থুগাইদুনা চখ্খরকপা এটেকশিংদা অশোক–অপনদি অমত্তা য়াওদনা সিজ ফয়ার অদুসু ঙসিগী য়াচংবদা লোইখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদকী ওঠোরিটিশিং অমদি রিবেল ফাইটরশিংনা য়ু এন অমদি রেইদ ক্রিসেন্টকী মীওইশিংবু তৌফম খঙদনা লৈহনখিবা এটেকশিং অদু চখ্খবগী মরাল অমনা অমদা শিন্নখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি রেইদ ক্রিসেন্টকী রিলিফ ৱার্করশিংনা মীচম মীয়ামশিংদা চিঞ্জাক পোৎলম অমদি হিদাক লাংথক য়েন্থোক্লবা হোৎনরিঙৈদা কনভোই অদুদা পান্দম তৌদুনা মোর্টার কাপশিল্লকখিবনি।

রেইদ ক্রিসেন্টনা হায়বদা, মসিগী দ্রাইভর অমদি খজিক্তং শোকখি, অদুবু টিম অদুগী মীওই পুন্নমক্তি অশোই অঙাম য়াওদনা সেন্ত্রেল হোমস থাদোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এক্টিভিষ্টশিং অসিনা থাদোরকপা ভিদিও ফুটেজ অমদা য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ান কো–ওর্দিনেটর য়াকুব অল হিলোনা পোকখাইরকপা মরক্তা লৈখাদা তৌথবা কোম অমদা থুপ্পুনা লৈবা উবা ফংখি।

অতোপ্পা ফিল্ম অমদনা হিল্লোনা হায়বদা, চিঞ্জাক পোৎলম অমদি হিদাক লাংথক য়াওনা তেংবাং পোৎলম কয়ামরুম থাদখি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐনা কোয়না য়েংবদা অৱা অনা তারবশিং অমদি অৱাৎপনা থল্লবা নুপী অঙাং অহল কয়ামরুম উখি। মখোয়দা ফংহনখ্রিবা পোৎলমশিং অদু খজিক্তমক ওই। অদুবু খজিক্তং অসিদগী হৌসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, সিরিয়াদা থোক্লিবা খুৎ থোক্লবগী ফিভমশিং অসিদা মীওই ১৩০,০০০ দি শিখ্রবনি। অদুগা মিল্লিয়ন কয়ানা খুন্তাক লানশিরবা সিটি দিষ্ট্রিক্টশিংদগী চেন্নখ্রবনি। অদুগা মীচম মীয়াম হোন্দোকপা অমদি তেংবাং পোৎলমশিং ফংহনবগী থৌরাং হন্দক পায়খৎলক্লিবা অসি য়াম্না পিক্না ওইরবসু চয়োল অনিগী মমাংদা স্বিটজর্লেন্দদা শান্নবা হৌখিবা ৱারী অমদগী ওইরকপা ইহান হানবা মশক থোকপা থৌরাং অমনি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# হোল্লিবুদ ষ্টার ক্লিন্ট ইষ্টবুদনা মী অমগী পুন্সি কনখ্রে



*লোস এঞ্জেলিস, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* শক্নাইরবা হোল্লিবুদ এক্টর ক্লিন্ট ইষ্টবুদনা কালিফোর্নিয়াগী গোল্ফ টুর্নামেন্ট দিরেক্টর ওইবা মীওই অমগী পুন্সি কনখ্রে হায়না লিখুন অসিন ফোঙদোরক্লি।

এ টি এন্দ পি পেবল বিটচ প্রো–এম গোল্ফ টুর্নামেন্টকী দিরেক্টর ওইবা ষ্টিপ জোন্সপু করিগুম্বা অমা চাবদা পনবদগী ফুন্দুনা শিবা য়াবা ফিভম অমদগী কনখিবনি।

গোল্ফ টুর্নামেন্ট দিরেক্টর ওইবা ষ্টিব জোননা হায়বদা, ক্লিন্টনা ঐগী পুন্সি কল্লে হায়না ফোঙদোকখি। জোননা চিজ মচেৎ অমা চাবদা পনবদগী শ্বর ফুন্দুনা য়াম্না ৱাবা ফিভম অমদা লৈবদু এক্টর অসিনা উরকপদগী খুদক্তা হেমলিচ মেন্যুবরগী থৌওং চখ্খদুনা জোনবু কনখিবনি।

হেমলিচ মেন্যুবর হায়বা টেক্নিক অসি রেস্ক্যুৱর অদুনা ফুল্লবা ভিক্টিম অদুগী শ্বরগী লম্বীদা থৎলিবা পোৎশক অদু লৌথোক্লবগীদমক পুক্কী শরুক্তা নম্বগী টেক্নিক অমনি।

জোননা হায়বদা খঙহৌদনা ঐগী শ্বর লেপখিদুনা হোনবা ঙমখিদে। মদুদা ওইরম্বা য়াবা ফিভমদি ঐনা খনখিবা খ্বাইদগী ফত্তবা ফিভম অদুনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশদা কার্মেল – বাই – দা – সি হায়বা রিসেপসন সেরেমোনি অমদা জোন শরুক য়াখিবনি। ঐনা ৱাবা ফিভম অদু উবদা ক্লিন্টনা তুংলোমদগী থুনমক চংশিল্লকখি। অদুগা তৌফম থোকপশিং খঙনা তৌরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

এক্টর অসিগা দিরেক্টর অসিগনা কার্মেল পাইন কোনতা হায়বগী মতুংইন্না জোনবু উরকপা মতমদা খঙনা খঙনা মপুন্সি মাঙ্গদৌরবা মীশক অমনা মমাইদা পাখৎপগী মমি তাবা অদুমক শক্নাইরবা এক্টর অসিনা পুরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহি ৮৩ শুরবা ক্লিন্ট ইষ্টবুদনা জোনগী তুংলোমদগী চংলক্লগা হেমলিচ মেন্যুবর টেক্নিক শীজিন্নদুনা অহুম্লক হন্না নম্বদা পন্দুনা লৈরম্বা পোৎশক অদু চোংথোরকখি।

অদুগী মতুংদা ঐহাক্না জোনবু কোল্লা মহি শুমজিল্লবা ঈশিং গ্লাস অচৌবা অমা পীথকখি হায়নসু ক্লিন্টনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়বদা মমাংদা টেক্নিক অসি চুম্না প্রেক্টিস তৌবা ওইনা কয়ারক পাঙথোকখ্রে। অদুবু তশেংনা মীওইবা অমদা পাঙথোকপদি থৌদোক অসিখক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# বাংলাদেশকী ফেক্টেরি মপু চংজরকখ্রে



*ধাকা, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* বাংলাদেশতা থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক থৌদোকশিংদগী খ্বাইদগী মীশি মীনা থোকখিবা অচৌবা থৌদোক অমদা এক্যুজ ওইবদগী মীচেন ওইখিবা ফেক্টরি মপু অনি ওঠোরিটিদা চংজরকখ্রে হায়রি।

ফেক্টরি অমা চাকপগী থৌদোক অদুদা শিন্মী ১১২ শিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎলকপদা টজরিন ফেসন্স হায়বা ফেক্টরি অসিগী মপুশিং ওইবা দেলৱার হোসেন অমদি মহাক্কী লোয়নবী মহামুদা অখটর অনি অসি মীচেন ওইখিবনি। মখোয় অনি চংজরক্লবা মতুংদা বেল ফংদবদগী জেলদা থাজিনখ্রে হায়না প্রোজিক্যুটর অমনা ফোঙদোরকপনি।

ইং ২০১২ গী নভেম্বর ২৪ দা ধাকাগী মতাইদা লৈবা ফেক্টরি মৈ চাকখিবগী থৌদোক অসিদা ওঠোরিটিনা পাল্লিবা মীওই ৬ মীচেন ওইখিবগী মনুংদা অনি অসিসু য়াওখিবনি।

ষ্টেট প্রোজিক্যুটর ওইবা অনৱারুল কবিরনা হায়বদা মতৌ মনাও অসিনা হেক চংজরকপগা বেল পীবিনবা হায়জখি। অদুবু মখোয়গী বেল পিটিসন অদু রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা কোর্টনা মখোয় অনিমকপু জেলদা ওইনা থাজিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চংজরকপগী থৌদোক অদুবু থেংনহৌবা অমনা হায়বদা, কোর্ট অদুদা মীওই চা কয়ামরুম ওমশিল্লক্তুনা মতৌ মনাও অনিমকপু শিবগী চৈরাক পীয়ু হায়বা খোল্লাওশিং লাউশিন্নরকখি। করিগুম্বা ৱায়েল চখ্খবদা কনভিক্সন ফংলবদি মখোয় অনিমক পুন্সি চুপ্পগী জেল মিয়াৎ ফংবা য়াবরি। কেস অসিদা পুন্না চার্জ মায়োক্নরিবা মীওই ১৩ নি।

লৈবাক অসিদা শেঞ্জাও পায়বা গার্মেন্ট ইন্দষ্ট্রি তৌবশিংদি ফেক্টরি এক্সিদেন্টশিংদা মরাল লৈরবসু চৈরাক ফংদনা নাম্থোকই হায়না অকনবা ৱাকৎ লৈরিবা লৈবাক অসিদদি থাজদনা মীওই ১৩ চার্জ মায়োক্না অসি অতাংবা থৌদোক অমা ওইরি। মখোয়না মায়োক্নরিবা চার্জশিংগী মনুংদা কন্সত্রক্সন রুল ইন্দনা পাইরক্কী ওইবা থোকফম হাপ্তুনা ফেক্টরি শাগৎপা অসিসু য়াওরি।

পনবা য়াবদি চাইনাগী হেক মথংদা বাংলাদেশ অসি খ্বাইদগী চাওনা ফিরোল মপালদা থাদোকপা লৈবাক অমা ওইরিবনি। মমাং চহিগী দিসেম্বর থাদা গার্মেন্ট ৱার্করশিংগী খুৎশুমল হেনগৎপগা লোয়ননা ত্রেদ য়ুনিয়ন শেম্বসু য়াহনখিবনি।

# বাংলাদেশতা ৱারক্রাইমদা চেন্নবা জমাট লিদর শিরে

*ধাকা, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* বাংলাদেশকী জমাট ই ইস্লামিগী লুচিংবা অমা বাংলাদেশতা ঙসি শিরে হায়বগা লোয়ননা এ কে এম য়ুসুফ হায়রিবা লিদর অসি বাংলাদেশনা পাকিস্তান্দগী নিং তম্নবা ইং ১৯৭১ দা শোক্নখিবা লান অদুদা ৱার ক্রাইমশিং চখ্খি হায়বগী মরাল মায়োক্নখিবনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।


ধাকা সেন্ত্রেল জেলগী সেনিয়ার সুপরভাইজর ফারমন আলিনা হায়বদা, গাজিপুরগী কাসিম্পুল সেলগী কাখু অমদা থম্বা য়ুসুফ (৮৭) অসি মশা ঙল্লক্তবদগী ঙসি অয়ুক বঙ্গবন্ধু সৈখ মুজিব মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালদা পুখৎখি। হোস্পিটালদা এদমিট হেক তৌবগা ইকান কান্নদনা মহাক শিখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশকী নিংতম লান অদুদা হিন্দু অমদি বেঙ্গলি নেস্নেলিষ্টশিংদা টার্কেট তৌখিবা রাজাকার বাহিনি হায়বা ঔজিলারি ফোর্স অদুগী লুচিংবা ওইখি হায়না য়ুসুফকী মথক্তা মরাল শীখিবনি। বি এস এম এম য়ু কী দিরেক্টর এম এম ভুইয়াননা হায়বদা, জমাদ লিদর অসি হার্ট ফেল ওইদুনা শিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মমাং চহিগী মে ১২ দা ফাখিবা য়ুসুফপু য়ুসুফপু ইন্টর্নেস্নেল ক্রাইম ত্রাইবুনেল–২ না মীয়াম পাক্তক্না হাৎপগী মরাল য়াওনা অতোপ্পা মরাল খরগীদমক মহাকপু মরাল লৈরে হায়বা খঙখিবনি।

মহাক্কী দিফেন্স টিমনা হায়বদা মশাগী চহি কা হেন্না য়াম্বা অসিগী য়েংলগা মহাকপু খুদক্তা বেল পীবিগদবনি হায়খিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# সুসিল কোইরালা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদৌরে



*কাঠমন্দু, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* নেপালি কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইবা সুসিল কোইরালা নেপালগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা থৌরাং পুম্বা লোইখ্রে।

সি পি এন–য়ু এম এলনা ঙসি নেপালি কংগ্রেসনা লুচিংবা গভর্নমেন্ট অমা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌখিবদগী কোইরালাবু মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইহন্নবগী লম্বী য়াৎখিবনি।

সি পি এন –য়ু এম এল গী ৱারেপ লৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী ৱাংবা লুপ অমা ওইরিবা ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা নেপালি কংগ্রেসনা লুচিংবা গভর্নমেন্টপু শৌগৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

সি পি এন – য়ু এম এলগী চেয়ারমেন ঝালানাঠ খনালনা পাউমীশিংদা ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মীটিং লোইরবা মতুংদা হায়খিবদা, এন সিনা লুচিংবা গভর্নমেন্ট অদু শৌগৎনবা য়ু এম এলনা লেপ্লে হায়না ফোঙদোকখি।

খনালনা হায়বদা নেপালি কংগ্রেসনা মহাক্কী পার্টিগা পেকেজ দিল অমা য়ানরে হায়রদুনা অকুপ্পা ৱাফমশিং মীয়ামদা ফোঙদোরক্লগনি হায়খ্রে।

# মদিনাদা হোটেল অমা মৈ চাকপদা লাইনিংলোই ১৫ শিরে, ১৩০ শোক্লে



*মদিনা, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* সাউদি অরাবিয়াগী হোলিসিটি মদিনাদা লৈবা হোটেল অমদা মৈ চাকপদগী হোটেল অদুদা লৈরম্বা লাইনিংলোই য়ামদ্রবদা ১৫ শিরে অদুগা ১৩০ না শোক্লে হায়না পাউ অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা সিটি অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা হোটেল অমদা মৈ অদু হৌরকখিবনি হায়না ওঠোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

শিখ্রবা মীওইশিং অদু করম্বা লৈবাক্কী মীওইশিংনো হায়বা শেংনা খঙদ্রি হায়রি। হোটেল অদুদা মৈহৌ লাংপোক অসি থোকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ামরুমদগী লাকপা মীওই ৭০০ লোম লৈখি। মুস্লিমশিংনা শোইদনা পাঙথোকপা উম্রা হায়বা লাইনিং লাইশোন থৌরম অসি পাঙথোক্লবগীদমক মখোয় মদিনাদা লাকখিবনি হায়রি।

ইস্লামগী পাউজেল্লোই প্রোফেট মুহমদ লৈরোন চনখিবনি হায়বা মদিনা সিটি অসি মকাগী হেক মথংদা ইস্লামশিংগী খ্বাইদগী শেংবা টির্থা অমা ওইবনি।

ইজিপকী টেলিভিজন ষ্টেসনশিংনা হায়বদা শিখ্রিবশিং অদুগী মরক্তা ইজিপ মচা খরসু য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি ৱাঙাংলোই ওইবা বাদ্র অবদেলেটিনা কাইরোদা হায়খিবদা শিখিবগী মশিং চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মৈ অদুদি ঙরাং থাংজগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লাকশিনবা ঙমখ্রে। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা হিংহৌরবশিংসু সিটি অসিগী অতোপ্পা হোটেলশিংদা পুথোকখ্রে হায়রি।

ওঠোরিটিশিংনা হায়বগী মতুংইন্না, মৈ অসি করম্না চাক্লকখিবনো হায়বদু খঙদোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন অমগী খোঙথাং লৌখৎখ্রে হায়না মখা তারকখি।

# পাকিষ্টাননা ঙমখৈ মনাক্তা মোবাইল টৱার থমহন্নিংদ্রি

*লাহোর, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* পাকিষ্টানগী টেলিকোম রেগুলেটরনা গভর্নমেন্টতা খঙহনখিবা ৱাফম অমদা পাকিষ্টানগা ইন্দিয়া অমদি আফগানিষ্টানগা তাইনবা মফমশিংদা খিনবা মীরমগী মোবাইল টৱারশিংনা পাকিষ্টানগী লমদমদা সিগ্নেলশিং ফাওজিল্লকপা য়াওরবদি মদুবু লৌথোক্লবা ৱাফম পুখৎফম থোকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টান টেলিকম্যুনিকেসন ওঠোরিটি (পি টি এ) না হায়বদা ইন্দিয়া অমদি আফগানিষ্টানগী পাকিষ্টনগা তাইনবা ঙমখৈ নক্না য়ুংলকপা মোবাইল ফোন টৱারশিংদগী পাকিষ্টানদা সিগ্নেলশিং ফাওজিল্লকই হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রি অমদি লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা হিরম অসি ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানগী মখোয়গা ফম মান্নবশিংদা পুখৎকদবনি হায়না পি টি এ না অইবা চে পীশিনখিবনি।

ঙমখৈ লমদমশিংদগী মোবাইল টৱারশিং লৌথোকখিনবা ইন্দিয়া অমদি আফগানিষ্টানগী গভর্নমেন্টশিংদা পুখৎকন্দবনি হায়না পি টি এগী ওফিসিয়েল লেট্টর অদুদা পনখি।

পি টি এগী ওফিসিয়েল অমনা হায়বদা ইন্দিয়া অমদি আফগানিষ্টানগী ওপরেটরশিংনা পাকিষ্টানগী ঙমখৈ ময়াদা মোবাইল টৱারশিং য়ুংখৎলকই। অসিদসু নত্তনা পাকিষ্টানগী ঙমখৈ লমদমশিংদা ইন্দিয়া অমদি আফগানগী সিমশিং য়োল্লকপগী পাউসু লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

আফগানিষ্টানগী সিমশিংদি মরুওইনা থাদোকমল তান্দুনা মী ফাবা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা নম্না শীজিন্নৈ হায়নসু পাকিষ্টানগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখিবা লৈরি।

লৈবাক অনিমক্কী সিমশিং ঙমখৈ লমদমশিংদা য়োনবদা শিংৎলিবসি মখোয়গী সিগ্নেলশিং পাকিষ্টানগী লমদমদা ফাওজিল্লকপননি। মরম অসিনা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা তৌবা ঙম্বা হায়ববু আইননা য়াদবা থৌওংশিং চখ্খরে হেক খঙবদা টেলিফোন কোলশিং অদু মরক থৎপা অসি নত্তনা উপাই লৈত্রি হায়নসু ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।

# য়ু কেগী অরোনবা দ্রোন ফাষ্ট ফ্লাইট পাইখ্রে



*লণ্ডন, ফেব্রুৱারি ৯ঃ* কা হেন্না চখ্খিবা অরোনবা থৌরাং অমদা দিভলপ তৌদুনা শাখিবা য়ুনাইটেদ কিংদমগী পাইলট য়াওদবা দ্রোন প্লেন অমা চাংয়েং ওইনা অহানবা ফ্লাইট পাইবদা মায় পাকখ্রে হায়রি।

বৃটেনদা হৌজিক ফাওবদা শাখিবা এয়ারক্রাফটশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী খুমাং চাওশিন্না ফরবনি হায়রিবা দ্রোন অসিগী ফাষ্ট ফ্লাইট অদু সাইন্স ফিক্সনগী মুভি অমগা পান্থক ওইখি।

দ্রোন অসি তুংদা লাক্কদবা লানগী লাল্লোংদা অনৌবা মিৎয়েংফম ওইগদবা প্লেন অমনি হায়রি।

সেল্টশিংগী অখাক অরাওগী লাইরেম্বা অমগী মমিং লৌদুনা তরানিস হায়না থোনবা দ্রোন অসি কনাগুম্বা খরনদি ইঞ্জিনিয়ারিংগী খ্বাইদগী খুমাং চাওশিনবা পোত্থোক অমা ওইনা উরি। চুনবা ম্যুজিক অমগা কুফেৎ কাফেৎপা অঙানবা মঙালশিংগী মরক্তা এয়ার ক্রাফট হেঙ্গর অমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসি কা হেন্না ইথক ইরাং য়াওনা পাঙথোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা ফন্দ থাদদুনা পায়খৎখিবা অরোনবা থৌরাং অমদা শাখিবা দ্রোন অসি হৌখিবা চহি খরদি কনামতা খঙহন্দনা দিভলপ তৌরকখিবনি।


বি এ ই সিষ্টেমসকী নিগেল হ্বাইট হাউসনা তরানিস হায়রিবা দ্রোন অসিবু বৃটিশ ইঞ্জিনিয়ারিংগী খ্বাইদগী ৱাংবা মতোন অদুনি হায়না শিংথাখি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা দিভলপ তৌখিবা দ্রোনশিংগী মরক্তা মসিনা খ্বাইদগী এদভান্স ওইরে হায়রি।

তাকথোক্তবা মফম অমদা দ্রোন অসি চাংয়েং ওইনা অহানবা ফ্লাইট পাঙথোকখি। টেষ্ট পাইলোট বোব ফ্রেজরনা হায়বগী মতুংইন্না, চাংয়েংগী থৌওং খুদিংমক মমাংদা থৌরাংখিবা মতুংইন্না অশোই অঙাম অমত্তা য়াওদনা মায় পাকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ফ্রেজরনা হায়বদা হৌজিক ফাওবদা মহাক্না লৈমায়দগী পাইখৎখিবা দ্রোন পুন্নমক্তগী তরানিসনা শরুক অনি হেন্না য়াংই হায়না ফোঙদোকখি।

তরানিস অসি বৃটেনগী অহানবা ষ্টিল্থ কোম্বেইট দ্রোন অমগী প্রোটোটাইপনি হায়রি। মমাই খঙলে লৈবা য়াবা দ্রোন অসি কা হেন্না য়াংবগা লোয়ননা রাদরনা খঙবা ঙমদনবা দিজাইন তৌরগা দিভলপ তৌবনি। টরানিসকী অহানবা ফ্লাইট অসি য়ু কে এভিয়েসনগী য়াম্না চাওবা নিংশিংনিঙাই ওইবা থৌদোকনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।










## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-149

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | | 8 | | 1 | | | |
| | 1 | | | | | 4 | | 9 |
| | | 3 | | | | | | |
| 3 | | | | 8 | | | 5 | |
| 9 | | 2 | | 5 | 7 | 6 | | |
| 4 | | | | | 2 | | | 1 |
| | 2 | | 4 | 6 | 5 | | | |
| | | 6 | | | | | | 5 |
| | | | | | 3 | | | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 2 | 4 | 6 | 5 | 7 | 1 | 9 |
| 9 | 4 | 1 | 3 | 7 | 2 | 5 | 8 | 6 |
| 7 | 5 | 6 | 9 | 8 | 1 | 4 | 3 | 2 |
| 2 | 7 | 3 | 5 | 1 | 6 | 8 | 9 | 4 |
| 8 | 9 | 4 | 2 | 3 | 7 | 6 | 5 | 1 |
| 1 | 6 | 5 | 8 | 4 | 9 | 3 | 2 | 7 |
| 6 | 2 | 9 | 7 | 5 | 8 | 1 | 4 | 3 |
| 4 | 1 | 8 | 6 | 2 | 3 | 9 | 7 | 5 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*